### ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এম এ কাংপোকপী মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

A. M. F. A.

**62nd CC Meet 2019-20**

Today Match

MA Kangpokpi vs FC Lamjao
2 - 0

(27-12-2019) (Time : 1:45)
TRAU vs NISA



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এম এ কাংপোকপীনা এফসী লমজাও ককচীংবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অসিগী অহানবা হাফতা এম এ কাংপোকপীনা বোল হেন্না পায়দুনা এফ সী লমজাওবু দোমিনেট তৌদুনা শান্নরকখি। এম এ কাংপোকপীনা চথরকখিবা ফজরবা এটেক অমদা মেচকী ৬শুবা মিনটতা এফ সী লমজাওগী দি বোক্স ময়াদা ফ্রী কিক অমা ফংখি। ফ্রী কিক অদু খোগেন জর্সি নম্বর ১৪না কাওবদা পোষ্টকী নাকলদা চৎখিবনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মখা তানা এম এ কাংপোকপীনা মেচকী ১০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় ক্লেভেন মার জর্সি নম্বর ১০না কাওখিবা ফজরবা বোল অদু পোষ্টকী নাকলদা হাইদোক্না চৎখিবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদে। লেপ্তুনা চথরকপা এটেক অমদা মেচকী ৩১শুবা মিনটতা পাওলেনমাঙ তুবোই জর্সি নম্বর ৫না গোল পোষ্ট তম্না পুশিল্লক্তুনা দি বোক্স মনুংদগী কাওখিবা বোল অমা কিপরনা সেভ তৌনবা দ্রাইভ তৌরবসু ফাবা ঙমহৌদবদগী গোল ওন্থোক্তুনা হাফ অসি লোইবা ফাওবদা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা এম এ কাংপোকপীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। মেচকী ৭৪শুবা মিনটতা ক্লেভেন মার জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ২ শুখি। এফ সী লমজাওগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু অপিবা মতমদা ঙমদবনা মেচ অসি এম এ কাংপোকপীনা এফ সী লমজাওবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

### য়ু-১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স লীগ ২০১৯

# ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং আই সী এস এ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে, এ এম এম এ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): ওলইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং দিরেক্টরেট ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস অনীনা খূৎশম্নদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা য়ু-১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং আই সী এস এ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা এ এম এম এ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং আই সী এস এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা মেচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদবদগী দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা দল্লিয়ু এফ এ অমসুং এ এম এম এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা এ এম এম এনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখ্রবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী ৬০শুবা মিনটতা এ এম এম এগী শান্নরোয় সী ঐচ অঞ্জলি জর্সি নম্বর ১৭না একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা দল্লিয়ু এ এফ এনা শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থীহৌখি।

### কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন

# ষ্টার ক্লবনা এফ সী ইম্ফাল সিটিবু থোইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা থম্বালখোং ৱাই দল্লিয়ু সী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ষ্টার ক্লবনা এফসী ইম্ফাল সিটিবু পাঞ্জল ৭-০দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচতা এফসী ইম্ফাল সিটি অমসুং ষ্টার ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা ষ্টার ক্লবনা বোল হেন্না পায়দুনা এফ সী ইম্ফাল সিটিবু দোমিনেট তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা ষ্টার ক্লবকী শান্নরোয় এল জোনসন জর্সি নম্বর ১২না হাংখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ৯শুবা মিনটতা জোনসন্না অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

মখা তানা এল মহেশ জর্সি নম্বর ৮, এস রাকেশ জর্সি নম্বর ৭, কে ঐচ বিরজিৎ জর্সি নম্বর ১৪না মথংশিংনা মেচকী ১৯শুবা, ২৭শুবা অমদি ২৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এফ সী ইম্ফাল সিটিগী মায়কৈদগী একাউন্ট হাংবা ঙমদবদগী ষ্টার ক্লবনা পাঞ্জল ৫-০দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফতা মখা তানা ষ্টার ক্লবনা এফ সী ইম্ফাল সিটিবু খুদুম চন্দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫১শুবা অমদি ৬৭শুবা মিনটতা রোমিও জর্সি নম্বর ৬ অমসুং এন হেমচন্দ্র জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা পূন্না পাঞ্জল ৭ শুহনখি। এফ সী ইম্ফালগী মায়কৈদগী মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী মেচ অদু ষ্টার ক্লবনা পাঞ্জল ৭-০দা মায় পাকখি। হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দ অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা এস এস সী সেক্তা অমসুং য়ু দি ও, অনীশুবা গ্রাউন্দ নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা বি এস য়ু অমসুং কে এস দি সী লম্বা তৌনরগনি।

### ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেনিস টুর্নামেন্ট

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা টিমনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): ছটিশগরগী রাইপুরদা লৈবা রন্দিট রবিসঙ্কর শুক্লা য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ১৯দগী ২১ ফাওবা চথখিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা টিমনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ইন্টর পুল লীগকী ফাইনেল ষ্টেজদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা বনারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিবু সেট ২-১, কে আই আই টি ভুবনেশ্বরবু সেট ২-১ অমসুং মমাঙগী চেম্পিয়ন রবিসঙ্কর শুক্লা য়ুনিভর্সিটিবু সেট ২-১দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওদিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দষ্ট্রিএল টেক্নোলোজিনা শীন্দুনা মথং চহী ফেব্রুৱারী ২২দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদবা ফর্ষ্ট খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২০গীদা শরুক য়ানবা ক্বালিফাই ওইরে। মণিপুর টিমদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি লুচিং কুখাম, ঐচ বেকর, অটাপ লৈশাংথেম, ঐচ শেল্লানঙম মৈতৈ অমদি রজিব থিয়ামনি।

## ফর্ষ্ট পিদোইনু কপ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): পুংদোংবম য়ুথ ফিজিক ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ফর্ষ্ট পিদোইনু কপ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা আর এফ এ টোপ সিফাইনা রোমা এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা, কে ৱাই এফ এনা এল এফ সীবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।


# ADMISSION OPEN

ꯂꯨꯂꯥꯕꯤ

**"LULLABY"**

A Child Care Cum Pre-School

Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point

- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- A new development in the way of Schooling has been open in our state with the thought of developing both moral and in Physical ways. Come & Join with us in this wonderful world of our journey towards education.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Last date of form submission : 10th January, 2020.
- Session starting from 16th January, 2020.

Kinder pool and twinkle kids system of education

Monthly Tuition Fees are exempted for this academic year as an introductory offer.

6009103078

HL-B/5915/27,28,29


## বেঙ্গলোরগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): ৬৭শুবা নেসনল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী সেলেক্সন তৌখ্রবা বোদিবিল্ডরস অমদি এম এ বি বি এগী ওফিসলশিং হয়েং বেঙ্গলোরগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না মণিপুর অমেচর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসন (এম এ বি বি এ) গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল নোরেন মৈতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, দিসেম্বর ২৮ অমদি ২৯দা পাঙথোক্কদবা বোদিবিল্ডিং অমদি ফিটনেসতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং অদুদি মুতুম সঞ্জিৎ (জুনিয়র মেদিয়ম (সুবোল ফিটনেস); মাইবম রোনাল (সেনিয়র মেদিয়ম (লাইফ-ষ্টাইল জিম); কাংজম বিদ্যাচরন (ফিটনেস (এস বি বি এফ); কাংজম দিনেসচন্দ্র (মাষ্টর (এ বি বি এফ); সলাম তোমচা (মাষ্টর (সুবোল ফিটনেস) অমদি খুমুকচম ৱারেন (জুনিয়র (ককচীং)নি। ওফিসলশিং অদুনা ডা. আর কে হরস্যামনা মেনেজর, টি ঐচ রজিবনা এসিষ্টেন্ট কোচ অদুগা থিয়াম রন্ধিরনা এসিষ্টেন্ট কোচনি। ডা. আর কে হরস্যাম অমদি টি ঐচ রজিব অনীবু ইন্দিয়ন ফিটনেস এন্দ বোদিবিল্ডরস ফেদরেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি নোর্থ ইষ্ট মথংশিংনা খল্লকপদা এম এ বি বি এনা নুংঙাইবসু ফোঙদোরক্লি।

## ফ্রেন্দলি ক্রিকেট মেচ শান্নখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী থৌমীশিং অমসুং মণিপুর স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট অনীগী ওইবা ফ্রেন্দলি ক্রিকেট মেচ অমা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখ্রে। ফ্রেন্দলি ক্রিকেট মেচ অসি এসোসিএসন অসিগা হেন্না ফবা মরী থম্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

## মণিপুর টিমনা জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ৱিন্নর ওইরক্লে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): অন্ধ্র প্রদেশকী রাজামুন্দরিদা পাঙথোকপা ৪৪শুবা ইন্টর ষ্টেট জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুর বেদমিন্টন টিমনা ৱিন্নর ওইরক্লে।





HL-B/5780/2nov.to28dec.




HL-B/5751/24dec-10jan




HL-B/5837/29nov to 27jan

HL-B/579/2nov. to 30 dec.

## BUSINESS LOAN AVAILABLE

(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.

1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agri & Horti items:- Fish Farmer, Mushroom Farmers, Vegetable Farmers, etc.
3. Pension Loan available:- 1%, 1.5%, 2%, 2.5% & 2.75%
4. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment, Rice Mill অসিনচিংবা।

N.B.:- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হান্না মপুং ফানা তৌদুনা লৈরিবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

EMPLOYMENT NEWS: OFFICE ASST.(KAKCHING, KHANGABOK, SEKMAI MOIRANG), Car Driver, SECURITY(Ex-Servicemen), Mechanic & Gr-IV, Computer Operator, Tyre Mistry & Helper(2+2).

DOFSERA At LG MOTORS BUILDING (2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL

Mob : 8794748661/9383154085 Office Hour: 10:00 am - 04:00 pm.


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com